# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Sunday, April 11, 2021, Imphal — Page 11






ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী পুৱারীদা অহানবা ওইনা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সকা শান্নবদা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা মায় পাকপা ঙমখিবা মেটচ অদুদা বেটসমেন ৫ আউট তাহনবগী রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রবা হর্সল পটেল

টুনিসিয়াগী চার্লেস্টোন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ১১শুবা সিদেদ শান্নরোয় কজাখষ্টানগী য়ুলিয়া পুটিনসেবাবু ক্বার্টর ফাইনেলদা ৬-৭ (২-৭), ৭-৫, ৬-১দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী মোন্টিনিগ্রোগী শান্নরোয় দানকা কোভিনিক



## ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর সোনম মালিক অমসুং অন্সু মালিক টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে





অলমাটি, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): কজাখষ্টানগী অলমাটিদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ন রেষ্টলিং ওলিম্পিক গেমস ক্বালিফায়রদা চহী ১৮দা ঙাইরিবী ইন্দিয়াগী সোনম মালিকনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চহী নৌনা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে। মহাক্কা লোয়ননা চহী ১৯দা শুরিবী অন্সু মালিকসু ক্বালিফাই ওইখ্রে।

সোনম মালিকনা কিলোগ্রাম ৬২গী কাঙলূপ্তা গ্রুপ বিগী ওইনা শরুক য়ারকখিবদা অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী জিয়া লোংবু পোইন্ট ৫-২দা মায়থীবা পীখি। মদুগী মতুং অনীশুবা রাউন্দদা চাইনিজ টাইপৈগী সিন পিং পাইবু পোইন্ট ১১-০দা মায়থীবা পীরগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

সেমীফাইনেলদা সোনম মালিক ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙল্লিবী কজাখষ্টানগী অয়োলিম কাসিমোভাগা লম্বা তৌনরকপদা পোইন্ট ০-৬তা শোত্থদুনা লৈরম্বদগী বাউট অদু লোইরমদাইদা য়াম্না ফজবা পোইন্ট ৯ ফংদুনা ৯-৬তা থোইবদগী ফাইনেলদা জিয়াগা থেংনরগনি।

কিলোগ্রাম ৫৭কী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা চহী ১৯শুরবী অন্সু মালিকনা গ্রুপ এদা অহানবা রাউন্দ লম্বা তৌনখিবা সাউথ কোরিয়াগী জিয়ুন উংবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ১০-০দা থোইখি। অনীশুবা রাউন্দদা কজাখষ্টানগী রেষ্টলর এমাটিসিনাবুসু পোইন্ট অমত্তা লৌহন্দনা মহাক্না ১০-০দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

সেমীফাইনেলদা অন্সু মালিকনা উজবেকিষ্টানগী রেষ্টলর সোখিদা অখমেদোভাবু ১২-২দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবদগী ক্বালিফাই ওইরকপনি। নীংশিংবা য়াই, কেটগোরি অমমম্দা এসিয়ন রেষ্টলিং ওলিম্পিক ক্বালিফায়র অসিদা ফাইনেল য়ৌরকপা ঙস্বা রেষ্টলর ২/২ ওলিম্পিক ক্বোটা ফংলিবনি।

পনবা য়াই, কিলোগ্রাম ৫৩দা ইন্দিয়াগী নুপীগী রেষ্টলর ভিনেশ ফোগট কুমজা ২০১৯দা মাংজৌননা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবনি। নুপাগী কাঙলূপ্তা মাংজৌননা ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইখ্রবা রেষ্টলরশিং অদুদি রবি কুমার দহিয়া (কেজি ৫৭), বজ্রং পুনিয়া (কেজি ৬৫) অমসুং দিপক পুনিয়া (কেজি ৮৬)নি।

## স্রিনগরদা স্পোর্টস মিনিষ্টর রিজিজুনা জম্মু এন্দ কাশ্মীর স্পোর্টস কাউন্সিল ৱাটর স্পোর্টস একাদেমি শঙ্গাখ্রে

স্রিনগর, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ঙসি স্রিনগরদা খেলো ইন্দিয়া ষ্টেট সেন্টর ওফ এক্সলেন্স (কে এ আই এস সী ঈ)গী মনুং চন্না রোৱিং দিসিপ্লিনগী অনৌবা জম্মু এন্দ কাশ্মীর স্পোর্টস কাউন্সিল ৱাটর স্পোর্টস একাদেমি শঙ্গাখ্রে।

একাদেমি অদুদা হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা খেলো ইন্দিয়া স্পোর্টস সেন্টর ওফ এক্সলেন্সনা রোৱিং দিসিপ্লিন খত্তগীদমক মীৎয়েং চঙদুনা লৈখিগনি। মসিগীদমক্তা অহানবা শেলগী মতেং ওইনা লুপা লাখ ১৪৫.১৬ পীরগনি। অদুগা চহী খূদিংগী লুপা লাখ ৯৬.১৭ পীগনি হায়রি।

ঙসি স্রিনগরদা রোৱিংগী ওইনা কে আই এস সী ঈ শঙ্গাখিবা অসি থারগা সেন্টর অনী শুবা ঙমখ্রবনি। মমাংদা জম্মুদা মৌলানা অজাদ ষ্টেদিয়ম ফোর ফেন্সিংনা মফম অদুদা কে আই এস সী ঈগী অহানবা সেন্টর ওইখিবনি। সেন্টর অনী অসিগী অপূনবা শেনফম ওইনা লুপা ক্রোর ৫.০৮ স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা এপ্রুভ তৌদুনা লৈরবনি হায়রি।





নীংশিংবা য়াই, মমাংদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা, মিনিষ্ট্রিনা স্রিনগরদা ষ্টেট ওফ দি আর্ট ৱাটর স্পোর্টস ফেসিলিটি অমা হাংদোক্লগনি হায়খ্রবনি। মদুগীদমক্তা থবক থৌরম পূম্নমক লোইরে। ঙসি শঙ্গারবনি। লোয়ননা মদু চল্লাইবদা চঙগদবা শেল অদুসু খাত্তুনা থল্লবনি হায়খি।

ঙসি জম্মু এন্দ কাশ্মীর স্পোর্টস কাউন্সিল ৱাটর স্পোর্টস একাদেমি শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা দাল লেক অসিদা লাত্তুনা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংগী করিয়রদা অহোংবা কয়া লাকহনগদৌরিবা খোঙথাং অসিগীদমক্তা মহাক্কী মায়কৈদগী হরাউবা অমদি নুংঙাইবা ফাওই হায়খি। মফম অদুদা মতীক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর পীবীরবদি লৈবাক অসিগীদমক্তা মিংচৎ পুরকপা ঙমগদবা নহা ওইরিবা শান্নরোয় কয়া অমা লৈরিবনি। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টিঅ অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীর স্পোর্টস কাউন্সিলনা নহাশিং অসিবু মতেং পীননবা য়াম্না কন্না হোৎনরি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা জম্মু অমসুং কাশ্মীরগীদমক্তা প্লান কয়া অমা য়াৎনবগীদমক্তা ৱাখলদা লৈরে হায়বা ৱাফম অদু ফোঙদোকখি। ৱাটর স্পোর্টস একাদেমি অমা থম্বা অসিনা মফম অদুদগী তুংদা চেম্পিয়ন ওইরক্কদবা কয়া অমা পুথোকপা ঙম্লগনি হায়খি।

স্রিনগর তম্পাক্তা খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ পাঙথোক্তুনা অতোপ্পা কম্পিটিসন কয়া অমসু পাঙথোক্লগনি হায়খি। মসিগীদমক্তা মতেং পূম্নমক পীগনি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

## নোর্থ ইষ্ট কুং-ফু চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে

নলবারি, এপ্রিল ১০ (ঐচ এন এস): অসামগী নলবারিদা ওল ইন্দিয়া কুং-ফু ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা অসাম কুং-ফু স্পোর্টস এসোসিএসননা য়ূম্থু ওইরগা ৬শুবা নোর্থ ইষ্ট কুং-ফু ২০২১ ঙসি হৌদোকখ্রে।

ওল ইন্দিয়া কুং-ফু ফেদরেসনগী ৱর্কিং প্রসিদেন্ট ওইরিবা সিফু টি ঐচ নোরেন্দ্রো, চীফ টেক্নিকেল দিরেক্টর ঝেনিটো অৱোমি, ভাইস প্রসিদেন্ট সিফু রাজকুমার অমদি জেনরেল সেক্রেটরি সিফু ডা. ঐচ রোমেননা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।



থৌরম হৌরকপদা মণিপুরদগী লৈখিদ্রবা সলাম তোম্বা মীতৈ, অসামদগী কিষন সিংঘ য়াওনা কুং-ফু চাউখৎননবা হোৎনবদা চোকথবা লৈতনা পূন্সি লোমখ্রবা লৈখিদ্রবা কুং-ফু শান্নরোয় অমদি ওজা মীওই ৭কী ফোটোদা হৈ-লৈ অমদি মৈরা কৎতুনা লোয়ননা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

৬শুবা নোর্থ ইষ্ট কুং-ফু চেম্পিয়নশিপ অসিদা নাগালেন্দ, মিজোরাম, অসাম, মণিপুর, মেঘালয়া, ত্রিপুরা অমদি অতোপ্পা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদগী শান্নরোয় ৩০০ রোম্না শরুক য়াদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা তাওলু অমসুং সন্দা কুং-ফুগী মশান্না অনীদা লম্বা তৌনগদৌরি। মসিদা নুপা অমসুং নুপীগী তোঙানবা কেটগোরিশিংদা শান্নরোয়শিং অদুনা অথোই-অহেন তান্নগদৌরিবনি।

সিফু টি ঐচ নোরেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, কুং-ফু মশান্না অসি নোর্থ ইষ্টশিংগী খ্বাইদগী চানবা মার্সিএল আর্টস স্পোর্টস অমনি। হকচাং ফনবা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিংদগী লাপ্পা লৈনবা অমদি লমচৎ-শাজৎ ফজনবা নহাশিংবু কুং-ফু শান্নহল্লসি হায়খি।

## ইন্দিয়াগী প্রগনন্ধ রাউন্দ ১০ লোইশিল্লকপদা মাঙজিল থারি

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): জলিয়স ব্যের চেলেঞ্জর্স ওনলাইন চেছ টুরগী মনুং চন্না ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় আর প্রগনন্ধনা ক্রামনিক চেলেঞ্জগী ১০শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা মাঙজিল থাদুনা লৈরি।

প্রগনন্ধনা শগোলশেন নুমীৎতা শান্নবা রাউন্দ মরিমক মায় পাকপা ঙমখি। লোয়ননা ইরাই নুমীৎতা শান্নবা রাউন্দশিংদসু মায় পাত্তুনা লৈখ্রবা মতুং ঙসি গেম অমা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৮.৩০ ফংবগা লোয়ননা মাঙজিল থাবা ঙল্লিবনি। মমাংদা ইন্দিয়াগী প্রগনন্ধগা মাঙজিল থামিন্নরম্বা উজবেকিষ্টানগী নোদিরবেক অব্দুসাটোরোভ অমসুং য়ু এস এগী খৃষ্টোফর য়ু অনীশুবা পোজিসনদা হন্থখি।



রাউন্দ মখা তানা শান্নগদবা ৯ ৱাৎলি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় ২ দি গুকেশ অমসুং নিহাল সারিন পোইন্ট ৭ ফংবগা লোয়ননা মরিশুবা পোজিসনদা লৈরি। লোয়ননা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী লিওন মেনদোনকা পোইন্ট ৫ ফংলগা ১১শুবা পোজিসনদা লৈরি।

## এন কে এফ সী (এ)না খোগেন এফ সীবু থোইখ্রে, দি এফ এ তেলৌনা এন জি এলবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচ এন এস): ইষ্টর্ন লায়ন ক্লব নোংঙাদা অমদি ইষ্টর্ন য়ুনিক ক্লব কামেং খুঞ্জাও অনীনা খৃৎশম্নদুনা শীনবা অনীশুবা ইপুথৌ পুরৈরোম্বা কপ ওল মণিপুর মেন্স ওপন ৭-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা খোগেন এফ সীনা পাঞ্জল ৪-৩দা থোইখ্রে। অদুগা ঙসিগী অহানবা মেটচতনা এন জি এল এফ সী লৌরেম্বমবু দি এফ এ তেলৌনা ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি ৪শুবা মেটচ অদু এন কে এফ সী (এ) অমদি খোগেন এফ সী লম্বা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা খোগেন এফ সীগী জর্সি নম্বর ১০ হেনরিনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মখা চত্থরকপা ১৮শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী জর্সি নম্বর ৩ রোহিটনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মাঙজিল থাখিবা অদু মখা তারকপা পাঞ্জল ৪ এন কে এফ সী (এ)গী মায়কৈদগী চনবা ঙমখি।

এন কে এফ সী (এ)গী এ কে লোয়ানা ১৯শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুগা ইক্কেলাইজর অদুনা টিম অদুগী টি ঐচ সুরজনা ২১শুবা মিনটতা চনখিবনি। মেটচ অদু মখা চত্থরকপা ২৮শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী সাপম রাহুলনা পাঞ্জল ১ চল্লগা ২-১দা মাঙজিল থাখিবা অদু টিমমেট এ কে লোয়ানা ৩৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ৪-২দা লৈখি। খোগেন এফ সীগী হেনরিনা ৪০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ৩-৪দা মায়থীহৌখি।

এন জি এল এফ সী লৌরেম্বম অমসুং দি এফ এ তেলৌগী লম্বাদা শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা দি এফ এ তেলৌগী জর্সি নম্বর ১১ অবুংতোননা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল ওইখি।

## মেঞ্চেষ্টর সিটি লীদ্স য়ুনাইটেদকী মখূৎতা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা টুর্নামেন্টকী টেবলদা মকোক থোংদুনা লৈরিবা মেঞ্চেষ্টর সিটি লীদ্স য়ুনাইটেদকী মখূৎতা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখ্রে।

মেটচ অদুগী পুংখায় অমরোমগী মতম টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অহানবা হাফ অদু লোইগদবা মিনট ৩দা ঙাইরবা মতমদা লীদ্স য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী পেট্রিক বমফোর্টনা পীরকপা বোলদা ষ্টোর্ট দলাসনা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা লীদর মেঞ্চেষ্টর সিটিবু ১-০দা হেল্লগা লৈখি।

অহানবা হাফ শান্নবা লোইখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী পুংখায় ফাজিল্লকপদা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী বর্নার্দো সিলভানা খায়দোরকপা বোল অমদা মতাং চানা চেনশিল্লকখিবা ফেরান টোরেজনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা মান্ননা লৈরকখি।

শান্নবা লোইবগী মতম য়ৌশিল্লক্লবা ইঞ্জুরি টাইম হাপ্পগী অহানবা মিনটতা লীদ্স য়ুনাইটেদকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা ষ্টোর্ট দলাসনা টিমমেট ইগজান এলিওস্কিনা পীরকপা বোলদা য়াম্না মরুওইবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু মখোয়না ২-১দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱোলভর-হেমটন ৱান্দরর্সনা ফুলহামবু ১-০দা থোইখি। পাঞ্জল অদু ইঞ্জুরি টাইমদা অদামা ট্রাওরেনা চনখি।

## দেল্লী কেপিটেলসনা চেন্নাই সুপর কিংসপু ৱিকেট ৭তা থোইখ্রে

মুম্বাই, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা দেল্লী কেপিটেলসনা চেন্নাই সুপর কিংসপু ৱিকেট ৭তা থোইবা ঙমখ্রে।

মুম্বাইগী ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মদা দেল্লী কেপিটেলসনা টোস ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা চেন্নাই সুপর কিংসকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা বেটসমেন ৭ আউট ওইরগা রন ১৮৮ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী হৌরকপদা ফীভম শোকখি। রন ৭খক লৈরিঙৈদা ৱিকেট ২ তুখি। মোইন অলি অমদি সুরেশ রাইনানা ইন্নিংস অদু পুখৎলত্তুনা অপূনবা স্কোর ৬০ য়ৌহল্লকখি। মোইন রন ৩৬তা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুং তারকপা রাইনানা বোল ৩৬তা রন ৫৪ লৌখিবা লোয়ননা ৮শুবা বেটসমেন সামপুরননা শুপ্নগী বোল ১৫দা রন ৩৪ লৌরম্বা অদুনা স্কোর অদু ১৮৮ য়ৌখিবনি।

রন ১৮৯ লৌরগা থোইগদবা অদু দেল্লী কেপিটেলসকী মায়কৈদগী ওপনর পৃথিবী সোনা বোল ৩৮দা রন ৭২ লোয়ননা অতোপ্পা ওপনর সিখর ধৱননা বোল ৫৪দা রন ৮৫ লৌখি। লোয়ননা রিসব পন্ট অমসুং মার্কসনা মথংশিংনা রন ১৫ অমসুং ১৪ লৌবা ঙমখি। দেল্লী কেপিটেলসনা অপীবা ওভর ২০ য়ৌদ্রিঙৈ ১৯শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা বেটসমেন ৩ আউট ওইরগা রন ১৯০ য়ৌদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৭তা থোইবা ঙমখি।

## সাইনা ট্রেনিংশিং ব্রেক পীখ্রে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী মশীং হেনগৎলকপনা মরম ওইরদুনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা নেসনল সেন্টর ওফ এক্সলেন্সতা ট্রেনিং তৌরিবা শান্নরোয়শিং চয়োল ৩গী ওইনা সম্মর ব্রেক পীখ্রে। অদুবু ওলিম্পিক্সকী অমদি ইন্টরনেসনল ইভেন্টকী শেম শারিবা এথলিটশিংগী ওইনদি লৈতে হায়রি।



NIT
NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE
CLASS X & XII (SC.)(BOSEM,COHSEM) CLASS STARTING - 3rd FEB, 2021
CLASS X & XII SC. (CBSE) CLASS STARTING - 11th FEB, 2021
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR (IX & X) (BOSEM) STARTING ON - 4th MARCH, 2021
* Only 30 students per batch.
* Class test will be conducted.
* Carrer Counselling for future study.
* Study Material will be provided.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Transport & Hostel facility will be abailable.
Office Hour : 2:00 p.m. - 8:00 p.m. & Class Timing : 3:30 p.m. - 7:30 p.m.
RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari)
Contact No. - 8014221074 / 7005787091
HL-B/6904/7/4-6/5



ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021
Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi



1ST POSITION 2020
It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success. — Reshmi Nandeibam
TOPPERS of 2020




9TH POSITION NOVEENA KSH D/o. Sarvodayachand Nirmalabas
10TH POSITION CHALTAN Y. S/o. Y. Shantikumar St. Joseph
15TH POSITION TH. JEET S/o. Th. Rashi St. Joseph
19TH POSITION DHANTHOI S. D/o. S. Homeshor Nirmalabas
19TH POSITION MARY L. D/o. Dr. John P. Little Flower
25TH POSITION H. NANDIBALA D/o. H. Nandalal Nirmalabas
25TH POSITION HENRY O S/o. O. Kumud St. Joseph

| HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | Exam - Time 1p.m. to 4 p.m. | Date | 22/03/2021 | 24/03/21 | 27/03/21 | 03/04/21 | 05/04/21 | 08/04/21 |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | Sub: | Maths | MIL | S. Sc. | Science | English | Adl. Sub. |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342
HL-B/6869/23/3-23/5 (alt)


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 76**

GM Svidler, Peter (2769) - GM Anand, Viswanathan (2783)
Norway Supreme Masters Blitz 2013 Stavanger NOR, 2013.05.07

1.c4 c5 2.Nf3 Nc6 3.g3 g6 4.Bg2 Bg7 5.O-O e6 6.e3 Nge7 7.d4 cxd4 8.Nxd4 O-O 9.Nxc6 bxc6 10.c5 f5 11.Qc2 Nd5 12.Na3 Ba6 13.Rd1 Rb8 14.e4 fxe4 15.Bxe4 Rb4 16.Kg2 Qf6 17.f3 Rxb2 18.Bxb2 Qxb2 19.Qxb2 Bxb2 20.Nc2 Bxa1 21.Rxa1 Rb8 22.Nd4 Rb2+ 23.Kh3 Rd2 24.Nb3 Rf2 25.g4 Bf1+ 26.Kg3 Rg2+ 27.Kh4 Rxh2+ 28.Kg5 Bc4 29.Na5...

**QUESTION :**
Black wins in 3 moves

**Puzzle 75 Ans. :**

**51.**Qf3 Qh3+The black queen decoys White's king. The black queen deflects White's king away from protecting the square h1. **52.**Kxh3 Rh1#

**51.**...Qh3+ **52.**Kxh3 Rh1#